ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ



ন্যু দেল্লীগী রবিন্দ্র ভবনগী কামিনি ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা সাহিত্য একাদেমিগী ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচরগী মনুং চন্না ডা. কোইজম শান্তিবলাদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ২০২২ খুৎশিন্নবা

Vol. 46, Issue No. 335 নিংথৌকাবা, ফমরী ২১নি পানবা

# ডা. কে শান্তিবলাদা সাহিত্য ...

*লামায় ১গী মখা...* ভবনগী কামিনি ওদিটোরিয়মদা যুনিয়ন কলচর মিনিষ্টর অর্জুন রাম মেঘাৱালনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না ডা. কোইজম শান্তিবলাদা মহাক্না ইবা শৈরেং লাইরিক 'লৈরেলনুং' গীদমক সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ২০২২ খুৎশিন্নখ্রে।

'ৱান অর্থ, ৱান ফেমিলি, ৱান ফ্যুচর' হায়বা ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকখিবা ৩৯শুবা ফেষ্টিবেল ওফ লিটরেচর অসিদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ খুৎশিন্নরক্লবী ডা. কে শান্তিবলা হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ওইরিবীনি। মশাগী শৈরেং, ৱারীমচা অমদি দ্রামা য়াওনা লাইরিক ৭ ফোঙখ্রে। মহাক্না ফংখ্রবা মনাশিংগী মনুংদা ডা. খোইরোম তোমচৌ নীংশিং গোল্ড মেদল ২০১৬, মোইরাংথেম নিংথৌ নীংশিং মনা ২০২১, বাল সাহিত্য পুরুস্কর ২০২১ য়াওরি। থা অসিগী ১৬ ফাওবা চথখগদবা ফেষ্টিবেল অসিদা মণিপুরী লেংগ্বেজ এজদাইভরি বোর্দ ন্যু দেল্লীগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমার য়াওনা শক্লাইরবা অইবা-অইবী কয়ানা শরুক য়ারি।

অমরোমদা, সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দেল্লীগী কুমজা ২০২৩-২৭কী থৌপুনবা জেনরেল কাউন্সিল অমসু থা অসিগী ১১দা ওদিটোরিয়ম অসিদা পাঙথোক্লুনা খনখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট ওইনা ডা. চন্দ্রসেখর কম্বারবু খল্লে হায়রি। জেনরেল কাউন্সিল অসিগী মেম্বরশিং ওইনা মণিপুরগী ওইনা প্রিয়োব্রত এলাংবম অমসুং লোংজম জয়চন্দ্রসু খল্লে হায়রি।